# ট্যুটিকোরিনগী ষ্টেৰলাইট প্লান্টতগী কিলোমিটর ৩ গী অকোয়বদা লৈবা ইমুং খুদিংমক্তা কেন্সর পেসেন্ট লৈ



ট্যুটিকোরিন, মে ২৮ (এজেন্সী):
ট্যুটিকোরিনগী ষ্টেৰলাইট প্লান্টকী অকোয়বা কিলোমিটর ৩ না কোনবা মফমদা লৈবা খুঙ্গংশিংগী ইমুং খুদিংমক্তা কেন্সরনা নাবা মীওই অমমম লৈ। হন্দক্তা রামলক্ষ্মীগী মপুরোইবা মুরুগন কেন্সরনা শিহনখ্রে। হৌজিক লমদম অদুদা মীয়াম্না লায়না মখল অদুদগী কোকহন্নবা অকনবা লান থেংনরি হায়রি।

রামলক্ষ্মী থা ১ দা শুপ্নতংগী লুপা ২৫০০ খক্তমক তানবা ঙম্বগা লোয়ননা পীল্লিবা অঙাং অনী শেন্নবগী অচৌবা পোৎলম পুরি। রামলক্ষ্মীগী মচানুপা অদুনা পুলিস ওফিসর অমা ওইগনি হায়বগী মঙ মঙলি। মহাক্কা হেক য়ুম থংননা লৈবা মিরা কৌবী নুপী অমগী মপুরোইবা সুবিয়াসু লিভর কেন্সর তৌরক্তুনা লৈখিদ্রে। মীওই অদু লায়েংনবা হোৎনবদা মখোয়গী মরল-মথুমশিং মাঙ-তাকখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা মখোয়গী মচানুপাসু স্কুল চৎপা ঙমদ্রে। স্কুল তম্নবগী অচঙবা শেল পুথোকপা ঙমদবনা মরম ওইরগা অঙাং অদু মহৈ তম্বা তোকখিবনি। হৌজিক অঙাং অদু ট্রক চামথোকপগী থবক তৌদুনা লৈরি। অদুগা মচানুপী অদুবুনা মহৈ তমহন্নবা হোৎনরি।

লৈরক অদুমক্তদা লৈরিবা হেলেন হেপসিবা কৌবা মীওই অমসু কিদনিদা কেন্সর তৌরকপদগী লায়েংদুনা লৈরি। হেলেনগী কিদনি নাম্মা হন্দক্তা লৌথোকখ্রে। চহী ৬ কী মমাঙদা হেলেনগী মরুপ এ রাজাসেলভি কৌবী নুপী অমগী মমাসু অঙাংখাওদা কেন্সর তৌরকপনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে। লমদম অদুদা ফংলিবা অন্দর গ্রাউন্দ ৱাটরশিং অদু কা হেন্না হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা পোৎলম কয়া য়াওবা থেংনখ্রে। সিলভরপুরম হায়রিবা ষ্টেৰলাইট পৱার প্লান্ট অদুগা নক্না লৈবা খুঙ্গং অদুদা মীওই ২০০০ রোম খুন্দাদুনা লৈরি। খুঙ্গং অদুদা য়ুম ৬০ ন হায়না ইমুং খুদিংমক্তা কেন্সরনা নাবা মীওই অমমম লৈ হায়রি।

ষ্টেট পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা খুঙ্গংশিং অদুগী তোঙান তোঙানবা মফম ১৫ দগী লৌখৎপা ঈশিং সেম্পলশিংদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা পোৎলম কয়া য়াওরম্বা থেংনখ্রে হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না তামিলনাদু পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা থিগৎপদা লমদম অদুদা ফংলিবা ঈশিংদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা মচাক মরুওইনা কেন্সর পোকহনবা ঙম্বা মিশিগী শরুক চাং ৱাংনা য়াওরম্বা থেংনখ্রে। ফংলিবা ঈশিংশিং অদুদা য়াওরল্লিবা মিশিগী চাং অদু হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা চাংদগী শরুক ৫৫ হেনগৎনা লৈরম্বা থেংনখি হায়রি।

সিলভরপুরমগী লৈনুংদগী ফংবা ঈশিং অদুদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা পোৎলম কয়া য়াওবনা মরম ওইরগা লমদম অদুদা লৈবা মীওইশিংদা কেন্সর লায়নানা শোকহল্লকপগী অচৌবা মরম অমা ওইহল্লি। লমদম অদুদা লৈবা ট্যুব ৱেলশিংগী ঈশিং মচু শেংদবা অমসুং শীজিন্নবদা খুদোংচারোইদবা ফীভম অমদা লৈরম্বা থেংনখ্রে। লমদম অদুদা লৈবা মীওই অমনা ফোঙদোর-কখিবদা, চাং নাইনা টেপ ৱাটর ফংদবনা মরম ওইরগা খুঙ্গাশিংনা ট্যুব ৱেলগী ঈশিং শীজিন্নরি। হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা মচাকশিং য়াওবা ঈশিং চহী ২০ লোম হেন্না শীজিন্নরকপা অদুনা মরম ওইরগা ষ্টেৰলাইট প্লান অদুগী অকোয়বদা লৈবা মীয়ামগী হকচাংদা চাংদম্লিংঙাই লৈতবা মাঙ-তাকপগী থৌওং কয়া থোকহল্লে হায়রি।

এক্সপার্টশিংগী মতুংইন্না মহৌশাগী ফীভমদা কায়হন্দবা হায়বা চৎন-কাঙলোন অদু থুগায়দুনা ষ্টেৰলাইট প্লান্ট শেমগৎখিবনা মরম ওইরগা ইন্দষ্ট্রিনা থোকহনবা খুদোংচাদবা কয়া লমদম অদুগী মীয়াম্না থেংনরি। অদুগুম্বা প্লান্ট অদু মীওইবনা খুন্দারিবা মফমদগী লাপ্না লৈহনগদবনি। অদুম ওইনমক প্লান্ট অদুদি খুঙ্গংগা নক্কনা লৈবনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লে হায়রি।

লমদম অদুগী লৌবুকশিংদা নীংথিনা মহৈ-মরোং লোকপা ঙমদবগী খুদোংচাদবসু মায়োক্নরি। পান্মী কয়া হৌবা ঙমদবগী ফীভমসু থেংনরে। ষ্টেৰলাইট প্লান্ট অদু কুমজা ১৯৯৬ তা লিংখৎখিবনি। মতম অদুদা টন ৪০,০০০ খক্তমক পুথোক্নবা পান্দম থল্লমখিবনি। অদুম ওইনমক পৱার প্লান্ট অদুদগী হৌজিক্তি টন লাখ ৪ গী পোথোক পুথোরকপনা মরম ওইরগা ঈশিং-নুংশিৎ শেংহন্দবগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলকখিবনি হায়রি।

কম্পেনি অদুনা পুথোক্লিবা পোথোকশিং হেনগৎহনবা তারবদি লৈবাক্কী কাঙলোন মতুংইন্না চিনিগী অৱাংবা অদু মিটর ৬০ ওইগদবনি। অদুগুম্বা কাঙলোন অদু ঙাক্তবনা অকোয়বদা লৈবা খুঙ্গাশিংদা অচৌবা চৈথেং পীরে হায়রি। চহী ২০ লোম কম্পেনি অদু মথৌ তৌরকপনা মরম ওইরগা লমদম অদুগী ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভমদা চাউনা অহোংবা লৈহল্লে। অকোয়বদা লৈবা খুঙ্গংশিং ইমুং খুদিংমক্তা কেন্সরনা নাবা মীওই অমমম লৈহল্লে হায়রি। নাকল অমরোমদা, ষ্টেৰলাইট কম্পেনিনা নেসনল ইনভাইরোনমেন্টেল রিছার্স ইনষ্টিট্যুট অমসুং সুপ্রীম কোর্টকী চৎন-কাঙলোন অমদি য়াথং ঙাক্না থবক তৌরি হায়না ফোঙদোক্লিবনি হায়রি।

# ত্রিপুরাগী ক্লাস টুয়েল্ভ ইগজামগী টোপ্পর থৌরী য়ান্দুনা শিরক্নে

অগরতালা, মে ২৮ (এজেন্সী):
সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন (সী বি এস ঈ) না লৌবা ক্লাস টুয়েল্ভকী রিজল্ট লাউথোরকপদা ষ্টেট অদুগী টোপ্পর ওইখিবী লাহিরি দেব বর্মা মথন্তা থৌরী য়ান্দুনা শিজখ্রে।

মহৈরোয় অদু লৈখিদবগী পাউ অদুনা নোংচুপ থংবা ত্রিপুরাদা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফাওহনখ্রে। মহৈরোয় অদু নোংচুপ থংবা ত্রিপুরাগী ঔজিলিয়ম স্কুলদা তমখিবনি। মহাক চৎলিবা থা অসিগী ২৫ গী অয়ুক্তা মশাগী য়ুমদা থৌরী য়ান্দুনা লৈরম্বা থেংনরকখিবনি হায়রি।



পাউ অসিগী মতুংইন্না লাহিরি অমসুং মহাক্কী মরুপ মরিগা লোয়ননা অগরতালা পোষ্ট ওফিসকী মায়োক্নবদা লৈবা বিগ বজারদা চৎলিবা থা অসিগী ২৪ দা স্কুলগী ওজাশিংদা খুদোল পীননবা পোৎ লৈবা চৎখি। বজার অদুগী চঙফমদা মহাক্কী বেগ অদু থল্লমখি। নুপীমচা অদুনা বজার অদুদগী থোক্লকপদা মহাক্কী খাও মনুংদা নুপাগী ফিরোল খরা য়াওদুনা লৈরম্বা সিক্যুরিটিনা থেংনখি। পোৎলমশিং অদু হুরান্দুনা পুথোর-কপনি হায়বগী মরাল শিরকখি। অদুম ওইনমক সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং অদুনা মহাক্কী মমা-মপা কৌগনি লোয়ননা পুলিসতা শিন্নগনি হায়না অকনবা ৱার্নিং তৌরকখি হায়রি।

নুপীমচা অদুনা মহাক্কী লাঞ্জদবা ফীভম অদু খঙহন্নবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং অদুনা তাবীখিদে। নুপীমচা অদুনা লৈরিবা খুঙ্গং অদু মফম অদুদগী পুংখায় অমরোমতমক চৎলগা য়ৌগদবা মফমনি। সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং অদুনা মহাকপু ফাজিন্দুনা থমখিবগী পাউ তারবা মতুংদা মহাক্না তম্লিবা স্কুল অদুগী ওজাশিংনা লুপা ৪০০০ পীদুনা থাদোকহনখি। পাউ অদু থুনা য়াংনা শন্দারকপগা লোয়ননা ঙাইহাক্কী মতুংদা মহাক্কী অপোকপী দিপালি লাক্তুনা মহাকপু পুখি হায়রি।

থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা ষ্টেট টোপ্পর ওইরবী নুপীমচা অদুগী পূক্নিং-ৱাখল শোন্থহনখি। ময়ুম য়ৌরক্লবা ফাওবদা ৱা ঙাঙঙু হায়বা য়াখিদ্রে। মথং নুমীৎকী অয়ুক পুং ৯ রোম তাবদা মহৈরোয় অদুগী হকচাং অদু মহাক্কী কা মনুংদা থৌরী য়ান্দুনা লৈরম্বা থেংনখি হায়রি।

লৈখিদ্রবী মহৈরোয় অদুগী অপোকপী দিপালিনা বিগ বজার অদুদা লৈবা সী সী টি ভিগী ফ্যুটেজশিং য়েংদুনা অচুম্বা খঙদোক্নবা হায়জখি। অদুম ওইনমক মহাক্কী ৱাফম অদু অয়াবা পীরকখিদে হায়রি।

এস আই সুনিট সেননা ফোঙদোর-কখিবদা, নুপীমচা অদু মথন্তা শিজখ্রে হায়বা কনফার্ম তৌরে। থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিস ষ্টেসন অদুনা কেস অমা রেজিষ্টার তৌবগা লোয়ননা মখা তানা থিগৎপগী থবক পায়খৎলগনি হায়রি।

লৈখিদ্রবী মহৈরোয় অদুগী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম তৌননবা থাখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎপগী থবক খুম্মাং চাউশিন্না চঙশিল্লি হায়নসু এস আই সুনিট সেননা ফোঙদোরক্লি।

# পুলৱামাদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথরকপদা লান্মী ১ শিরে

শ্রীনগর, মে ২৮ (এজেন্সী)ঃ
জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী কাকপোরা আর্মি কেম্পতা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথরকপদা লান্মী অমা লৈখিদ্রে। নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অদুদা লমদম অদুদা লৈবা মীচম অমসু শিখ্রে হায়রি।

রামজানগী মতমদা লৈঙাক্না জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা ওপরেসন চথরোই হায়না লাউথোকখিবা মতুং লান্মীদা চাউনা এটেক চথরকপা ঙসিগী থৌদোক অসিনা অহানবা ওইরে। দিফেন্সকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবদা, লান্মীনা হৌজিক চপ চাবা থবক পায়খৎতুনা থি-হুম্বগী থবক চথখ্রে।

কাকপোরাদা লৈবা আর্মি কেম্পতা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথরকখিবগী থৌওং অদু পাংদবশিংগী থৌওং অমনি। এটেক অদুদা লান্মী অমা লৈখিদ্রে। মখা তানা লান্মীনা অকনবা থবক পায়খৎলে হায়নসু দিফেন্সকী ৱাঙাঙলোয় অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট পুলিস অমসুং হোম মিনিষ্ট্রিগী পাউ মতুংইন্নদি জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা নাকল নাম্মাগী ওইবা সিজফায়র লাউথোকখিবা অদুনা ঈ-নাই তাবগী থৌদোক অমসুং মীচমশিংনা লান্মীদা নুংলংশিনবগী থৌওং চথবগী চাং হন্থহনবা ঙমখ্রবনি। অদুম ওইনমক রামজানগী মতম অসিদা লান্মীনা ওপরেসন চথরোই হায়না লাউথোকখিবা অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা কাকপোরাদা লৈবা আর্মি কেম্পতা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথরম্বনি। লমদম অদুদা পামদবা থৌদোক থোকহল্লকপগী চাং হন্থরবদি রামজান থাগী মতুংদসু মখা তানা সিজফায়র শাংদোকপা য়াই হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি।

পাকিস্তানগী মায়কৈদগী সিজফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক কয়া থোক্লি। মমাঙ চয়োলদা পাকিস্তানগী মায়কৈদগী সিজফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক মঙারক থোকখ্রে। মদুদা মীওই ৪৪ অশোক অপন নংখ্রবনি হায়রি।

# চাকহেন থা থুগায়দুনা মুস্লিম অমনা অঙাং অমদা ঈ পীখ্রে



দরভঙ্গা, মে ২৮ (এজেন্সী)ঃ
বিহারগী দরভঙ্গাদা লৈবা মুস্লিম নুপা অমনা পীল্লিবা অঙাং অমা কন্ননব-গীদমক রোজাগী চাকহেন থা থুগায়দুনা ঈ পীখ্রে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না পোকপা নুমীৎ নীনিদা ঙাইহিরিবা অঙাং অদুগী ঈ গ্রুপ অদু য়াম্না তাঙবা মখল অমা ওইরমখি। অঙাং অদুদা তঙাইফদনা ঈ কাপ্পগী মথৌ তারকপদগী ঈ থিননবা হোৎনবদা অৱাবা অমা মায়োক্নখি। অঙাং অদুগী পুন্সি কন্ননবগীদমক চাকহেন থা থুগায়দুনা মহম্মদ অসফক কৌবা মীওই অমনা ঈ পীরি। ফেসবুক্তা ও নেগেটিব ওইবা অঙাংগী ঈ অদু পীবীনবা থাগৎলকখিবগী মতুংইন্না মহম্মদ অসফকনা মহাক্কী ঈগা চান্নরম্বা অদু য়েংলগা অঙাংগী পুন্সি কন্নন-বগীদমক চাকহেন থা থুগায়দুনা ঈ পীখিবনি হায়রি।

আর্টিকুমারী কৌবী এস এস বিগী লান্মী অমগী লোয়নবীনা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা অঙাং নুপামচা অমা পোকখি। মহাক্কী মপুরোইবা অদু অরুনাচল প্রদেশতা পোষ্টিং তাদুনা লৈবনি। প্রাইভেট হোস্পিটালদা পোকখিবা অঙাং অদুগী হকচাংগী ফীভম লুশিল্লকপদগী ইন্টেন্সিব ক্যের য়ুনিটতা পুশিন্দুনা লায়কন্নখি। মেদিকেল ষ্টাফশিংনা অঙাং অদুগী পুন্সি কন্ননবগীদমক ঈ থৌরাং তৌননবা হায়রকখি। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা চপ মান্নবা ঈ ফংদবদগী ফেসবুক্তা থাগৎতুনা ঈ পীবীনবা হায়জখি।

লাইবক ফবা অমা ওইনা অসফক কৌবা মীওই অদুনা ফেসবুক পোষ্ট অদু মতম চানা থেংনবদগী ঈ পীগে হায়না ওফর তৌরকখি। অঙকপা মওংদা অসফক হোস্পিটালদা লাক্তুনা ঈ পীগে হায়রকখি। ডোক্তরশিংনা কুপ্না য়েংশিনবদা মহাক রোজাগী চাকহেন থা য়াওবা মীওই অমা ওইরমখি। ডোক্তরশিংনা মঙোন্দগী ঈ লৌ হায়বা য়াখিদে। অদুম ওইনমক অসফকনা মহাক্কী চাকহেক থা অদু থুগায়দুনা চীঞ্জাক খরা চাগনি হায়না ফোঙ-দোরকপদগী ঈ লৌবগী থবক পায়খৎপা হৌখি হায়রি।

অসফকনা চাকহেন থা থুগায়দুনা চাক চারবা মতুং ঈ পীখি। মহাক্না হায়, রামজানদি চহী খুদিংগী লাক্কনি। মতম অদুদা অদুম্মক শরুক য়াগনি হায়খি।

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ (Meitei Mayek logo)
EDUCITY TUTORIALS
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER, IMPHAL NEAR TRAFFIC POINT
& SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI, NEAR ORIENTAL COLLEGE
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018
CLASS - I TO X
CLASS - XI & XII (SCIENCE)
Both CBSE & BOSEM
Register Now! Register Now!
STUDY MATERIALS
SUGGESTIONS
SPECIAL TEST
COUNCELLING
VAN FACILITIES
WELL EXPERIENCE TEACHER
HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS (Rs. 3000/- Months)
FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Months)
CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Months)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Months)
CLASS XI & XII (SC.) (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)
CLASSES STARTING FROM 12th & 20th JUNE, 2018 (LIMITED SEATS)
Please Call: +91-9612194500
TIMING: 5:00 TO 7:00 AM
4:30 TO 7:30 PM
HL-P/4627/16/5-14/6

TO DAY TO DAY
HOUSIE BUMPER DRAW
In aid of Annual Fund Drive
UVSA Indo Mayanmar Road Singjamei Imphal
Regd. No. 265/SR/IW/2003
Ticket Rate 3000/-
Date : 29/05/2018
Draw Time at 5:30 p.m. SHARP
Venue :- Moirangkhom Bokul Makhong
MINI BUMPER
1st House Full - Activa - 5G
2nd House Full - Activa - 5G
Ticket Rate 300/-
Donation Loujaroi



House Full - I20 Car New Model 2018
All line : ₹ 20,000/-
N.B. :- Association asina fund drive ki damak sinjariba Housie Bumpuer Draw asida lamdam asigi meeyam na mateng pangbinaba haijari.
HL-P/1457/29

Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences
Bishnupur District, Utlou, Manipur.
(Under the aegis of Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences Society)
Regd. No. 532 of 2017 dated 30th June, 2017
Affiliated to Manipur University
Phone No.9366045467 / 9366092109
email: pdduias@gmail.com
Ref No.PDDUIAS/Estd./1-2016/78

ADVERTISEMENT
Utlou, the 28th May, 2018

The institute will recruit the following Teaching Post as per UGC/ICAR Service Rule for smooth and speedy functioning of the Institute.
RR-As per latest ICAR /UGC norm
Pay Scale-Rs15,600-39,100 with Grade Pay Rs 6000/-,8000 Grade pay for Associate .Prof.

| Sl.No | DISCIPLINE | POSITION |
|---|---|---|
| 1 | Home Science | Associate.Prof-1 |
| 2 | Agronomy, Agril.Economics, Agril.Extension, Agril.Statistics, Food & Nutrition, Food Science & Technology, Agril. Extension. | Asst.Prof -2 each |
| 3 | Mathematics , Fish Feeding & Nutrition, Horticulture, Aquaculture, Home Science Extension, Family Resource Management, Plant Pathology, | Asst.Prof -1 each |

Note: 1.Application form can be had from the undersigned by paying Rs 1000/-.
2.Date of commencement of form:29/5/18
3.Last date of form submission :28/6/18
4.Interview will be held from:1st July,2018 onwards.
5.Short listed candidates will only be called for interview.
Sd/-
Member Secretary/Director
Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences
HL-P/1456/29

STUDY MBBS/MD IN ABROAD
BANGLADESH: PRIME MEDICAL COLLEGE, RANGPUR COMMUNITY MEDICAL COLLEGE, TMSS MEDICAL COLLEGE, SYLHET WOMEN'S MEDICAL
KAZAKHSTAN: SEMEY STATE MEDICAL UNIVERSITY, ASTANA MEDICAL UNIVERSITY, NORTH KAZAKH STATE UNIVERSITY
PHILIPPINES: - AMA SCHOOL OF MEDICINES, UNIVERSITY OF PERPETUAL HELP SYSTEM,
CHINA: HENAN UNIVERSITY TCM, HENAN UNIVERSITY OF SCIENCE AND TECHNOLOGY, ZHENGZHOU, KUNMING, QIQICHAR MEDICAL UNIVERSITY AND YUNAN UNIVERSITY OF TCM.
RUSSIA: ALTAI STATE MEDICAL UNIVERSITY, RUSSIA.
PLZ Contact: - Haji Salam , JR International Education Consultant
Near Cambridge School, Old Campus Imphal, East, Manipur.
Contact No. : 8794084294, 9615706900, 8415930785, 8974084294,
HL-P/1223/6/5-5/6

No: 341/01/NHM-16-CHO (pt.1)
OFFICE OF THE
STATE HEALTH SOCIETY, MANIPUR
O R D E R
Imphal, the 26th May 2018

No:341/01/NHM-16-CHO(pt.1): In pursuance of the *D.O.No.O-11011/1/2014-NRHM-II*, Ministry of Health and Family Welfare, Govt. of India dated 19th March 2018, applications are invited from eligible in-service Staff Nurses/GNMs both regular and Contractual for undergoing six months "Bridge Program in Community Health" for July 2018 Batch for posting in the identified PHSC's to be upgraded to Health and Wellness Centre's under the National Health Mission Comprehensive Primary Health Care Service ( List of PHSC's as in Annexure ):

| | |
|---|---|
| Total Seat | 60 |
| Academic Session | July to December 2018 |
| Medium of course | English |
| Eligibility | In-Service Staff Nurse/GNM both Regular and Contractual under Medical & Family welfare Directorate and NHM |
| Maximum Age | 35 years (Relaxation, OBC= 3 yrs, SC/ST= 5yrs) |
| Experience | Min. 2 years working experience |
| Learning Center | DH Thoubal -30, DH Churchandpur -30 |
| Application form | Application form will be available at Medical Directorate Building, Lamphelpat from 26th May 2018 by paying Rs.300 for General, Rs.200 for OBC and Rs.100 for SC/ST |
| Application form available at | Room no:212 Directorate of Health Services, Lamphelpat |
| Application form Submission | From 26th to 30th May 2018 at Medical Directorate Building, Lamphelpat |
| Admit Card | 1st to 2nd June 2018 |
| Documents to be Submitted | Curriculum Vitae/Attested Mark sheet/Certificate from Class X to Highest Qualification/Age proof certificate/Registration certificate of Manipur Nursing council/Experience certificate/Residential Certificate/Caste certificate/No-objection certificate from CMOs |
| Entrance test | 3rd June 2018 at SIHFW Lamphelpat |
| Honorarium | Honorarium and performance incentives will be fixed after posting to the designated Health & Wellness center as per the state norms |
| Surety Bond | Candidates have to sign a surety bond to serve at Sub center/HWCs for at least 3 years after successful completion |

*Note:* The location of PHSC for the particular district may change depending on the readiness of the centre.

Sd/- N. Bandana Devi, IAS
State Mission Director
State Health Society, Manipur
HL-B/4666/29